# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

২) সংসদনা ত্রিভুবন সাহকারি য়ুনিভর্সিতি বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে।

অমসুং

৩) ৬ শুবা বিমষ্টেক মীফমদা শরুক য়ারুনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি হয়েং ভারত থাদোক্লগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা শজিরোক্তা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা ঙরাং থি হুন্বগী থবক চখুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে হায়রি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা- মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন অহুম য়াওনা নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অহুম, এ.কে. রাইফলগী মেগজিন অমা, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন অনি, টিয়ার স্মোক সেল মঙা, নোংমৈ মরুশিং অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

মীয়ামা লান্না লৌবা য়াবা অমসুং শান্তি থুগাইবা য়াবা পাউশিং শন্দোকপা মীওই অমা পোরোমপাৎ পুলিসনা জেনিমস হোস্পিতাল মনাক্তগী ফারে।

ফারবা মীওই অসি বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা তেরাখোং অৱাং লৈকাইদগীনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবী অমসুং ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদগী মীওই অনিসু ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদু আইন্না য়াদবা লুপশিংগী থবক থৌরমদা মতেং পাংবনি হায়রি।

প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ঐহাং ভিলেদগী ফারে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরে ৱার্দ নম্বর সভেনদগী মীওই অমা তেংনৌপল চ্যেক পোষ্টতগী সেকুরিতি ফোর্সনা ফারে। মীওই  অদু য়াম্বল য়ুঙাংগা কোন্ননা ফারে। য়ুঙাংশিং অদু বোক্স অহুমদা হাপ্পুনা পুরম্বনি।

মরক অসিদা, নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে-থার্তি সভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২১১ অমসুং ১৩৬ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুরকখ্রে। নেসনেল হাইৱেশিংদা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোই অঙাম থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা অকনবা ঙাকশেলগী থবক লৌখৎলি।

এনৱাইকে (এল)ঃ    নিউ দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা ঙসিদগী বিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্টকী নেসনেল লেবেল রাউন্দদা মণিপুরদগী নহা অহুম শরুক য়াগনি। থৌরম অসি হয়েং ফাওবা চথুগদবনি। নেহরু য়ুবা কেন্দ্র সঙ্গথন অমসুং এন.এস.এসনা দিষ্ট্রিক্ট রাউন্দ অমসুং ষ্টেট লেবেল রাউন্দগী তোঙান তোঙানবা ক্লষ্টর ৬ থোকবা খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা বিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্টতগী খনগৎলবা মীওইশিং নেসনেল লেবেল রাউন্দদা শরুক য়ানবগীদমক খনগৎপনি। বিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসিদা লৈবাক অসিগী রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদগী খনগৎলবা মীওইশিংনা শরুক য়াগনি।

বিল ঃ সংসদনা ত্রিভুবন সাহকারি য়ুনিভর্সিতি বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে। হান্না লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা বিল অসি ঙরাং রাজ্য সভাদসু য়াখিবনি। বিল অসিগী মখাদা রুরেল মেনেজমেন্ট আনন্দ ইন্সটিট্যুটশিংবু ত্রিভুবন সাহকারি য়ুনিভর্সিতি হায়না খঙনদুনা জাতিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা হেন্না মতেং ওইরগনি। ইন্সটিট্যুসন অসিনা টেকিকেল অমসুং মেনেজমেন্ট ইজ্কেসন অমদি ত্রেনিং পীদুনা কোওপরেতিভ সেক্তরশিংদা রিছার্স তৌবা য়ারগনি। মসিনা লৈবাক অসিদা কোওপরেতিভকী ইহৌ হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি।

রাজ্য সভাদা বিল অসিগী খন্ন-নৈনবদা কোওপরেসনগী রাজ্য মন্ত্রি মুরলিধর মোহন্না হায়- হৌখিবা চহি ৩ মখায়রোম অসিদা সরকারনা কোওপরেতিভ সেক্তরবু মপাঙ্গল কনগৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা প্রাইমারি এগ্রিকলচরেল ক্রেদিৎ সোসাইতি কয়া শেমদুনা চাওখৎ থৌরাংদা শরুক য়ানবা হোৎনরি। সরকারনা অসিগুম্বা প্রাইমারি এগ্রিকলচরেল ক্রেদিৎ সোসাইতি অসি লাক্কদৌরিবা চহি মঙাদা লাখ অমা ওইরম্বদগী লাখ অহুমদা হেনগৎনবনা পান্দম থল্লি।

পিএমঃ থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরি ৬ শুবা বিমষ্টেক মীফম য়াওরুনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎকীদমক হয়েং ভারত থাদোক্লগনি। মীফম অসি থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা থা অসিগী ৪ দগী হৌগনি। চহী অসিগী বিমষ্টেক মীফমগী হীরমদি- প্রোস্পেরস, রিজিলিয়ন্ট অমসুং ওপন বিমষ্টেক হায়বসিনি। মীফম অসিনা বিমষ্টেক লৈবাকশিংগী মরক্তা ঙাকশেল অমদি চাউখৎ থৌরাংগী লমদা শিংনরক্লিবশিং মতেং পাংননবা ৱাফম কয়া মরুম খন্নরবা য়াই। বিমষ্টেকতা য়াওরিবা লৈবাকশিংদি-বঙ্গলাদেশ, ভুটান, ভারত, নেপাল, শ্রীলঙ্কা অমসুং থাইলেন্দনি।

বিমষ্টেক মীফমগী মাংওইননা অহুম শুবা বিমষ্টেক দাইলোগ ২০২৫ ঙসি বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কনি। দাইলোগ অসিগী থিমনা 'দি ইম্পরেতিভস এন্দ ইম্পেদিমেন্টস ওফ বিমষ্টেক' হায়বসিনি। মীফম অসি হৌদোকপদা ইন্দিয়া

ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট ডা.রাম মাধপ ৱা ঙাংগনি। মীফম অসিগী অহানবা সেসনদা 'ইম্পেরেতিভস ফোর বিমষ্টেক-কি দ্রাইভর্স ওফ রিজনেল কোরপোরেসন' হায়বা হীরমদা খন্নগনি। সেসন অদুদা, ভারতকী হান্নগী মপাল থৌরম মন্ত্রি এম.জে.অকবরনা সভাপতি ওইগনি। মদুদা ৱা ঙাংগদবশিংগী মনুংদা ভারতকী হান্নগী মপাল থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডা.আর.কে রঞ্জন সিংহ য়াওরি।

চিল্লি ঃ ভারত অমসুং চিল্লি লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক অমসুং শেল থাদনবদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবগীদমক কমপ্রেহনসিপ ইকোনোমিক পার্টনরসিপ এগ্রীমেন্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি (ইষ্ট) পেরিয়া সামি কুমারন্না পাউমীশিংদা হায়- চিল্লিগী রাষ্ট্রপতি গেব্রিয়েল বোরিক ফোন্টকী ভারত খোঙচৎ অসিদা কম্প্রিহেন্সিভ ফোরেন ত্রেদ এগ্রিমেন্ট য়াওনা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক্কী লমদা অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়াম মরক্তা হেন্না ফবা মরী থমবগী মতাংদসু খন্নগনি।

চিল্লিগী রাষ্ট্রপতিনা লৈবাক অদুদা ভারতকী লল্লোন ঈতিক তৌবা মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ান্ননবা মল্টিপল এন্ত্রি পামিৎ চৎনহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মসিনা ভিজা পীবগী থবক থৌরমশিং হেন্না লাইথোকহল্লগনি।

শ্রী গেব্রিয়েল ঙরাং ভারত্তা থুংলখিবনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা শ্রী গেব্রিয়েলগা নিউ দিল্লিদা উন্নদুনা লুচিংবা অনিনা ভারত-চিল্লিগী মরক্তা দিজাস্তর মেনেজমেন্ট অমসুং কলা সংস্কৃত্তিগী লমদা তেংবাং পীননবা য়ান্ন-চে সহি তৌনখি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি লুচিংবা অনিনা উন্নখিবা অদুদা লৈবাক অনিগী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

চেরোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-চিল্লি অসি ভারতকী মরুওইবা লৈবাক অমনি। ভারতনা লৈবাক অসিবু এন্তার্তিকাদা চৎনবা মরুওইবা লৈবাক অমা

ওইনা লৌরি। নুমিৎ মঙানিগী খোঙচৎতা লৈবাক অসিদা লাক্লিবা চিল্লিগী রাস্ত্রপতিগা লোয়ননা মন্ত্রিশিং, সংসদকী সদস্যা, লল্লোন ইতিক্কী এসোসিয়েসন য়াওবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমা লোয়নরক্লি। শ্রী বোরিকনা থা অসিগী মঙাদা আগ্রা, মুম্বাই অমসুং বেঙ্গলুরুদা চৎকনি।

আর্মিঃ নিউ দিল্লিদা আর্মি কম্মান্দরসশিংগী মীফম ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাংদগী হৌখ্রে। থা অসিগী মরি ফাওবা চথুগদবা মীফম অসিদা ভারত লান্মীগী ওফিসারশিংগী সেনিয়ার লিদরসিপকী প্লেটফোর্ম অমা পীনবা অমদি সেক্যুরিতিগী লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক্কী ফিভম য়েংশিন্নবা হোৎনরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

দিলিমিতেসনগী মতাংদা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংনা থম্বাল শঙলেনদা খন্নখ্রে অমদি এপ্রিল ৫ দা মীতৈ-কুকি ৱারী শান্নহনগদৌরি হায়বা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর য়াওনা ষ্টেট খরদা দিলিমিতেসন য়েংশিন্নবা বি.জে.পিগী কমিতি শেমখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদা তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

এপ্রিল ৫ দা মীতৈ কুকি ৱারী শান্নহনগদৌরি, কুকি লুপ মঙানদি ৱারী শান্নবদা শরুক য়ারোই হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বঙ্গলাদেশকী য়ুনুসনা চাইনাগী প্রসিদেন্টকা এগ্রিমেন্ট ৯ খুৎয়েক পীনখ্রে, য়ুনুসনা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট রিজনগী ষ্টেট ৭ কী ঈশিং লন্মীগী গার্জিয়ান

বঙ্গলাদেশ খক্তনি হায়রকপদগী ৱাথোক ওইরে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মৈতৈ এল্লায়েন্সনা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা প্রধান মন্ত্রিদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নুপীশিংগী সেল্ফ দিফেন্স ত্রেনিং মাউন্ট এভরেষ্ট কলেজদা হৌদোকখ্রে হায়না সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দ লুৱাংদিমাই সিতিজন্স ফোরমনা লৱাংদিমাইশিংগী লোল অমসুং হেরিতেজশিং ঙাক শেন্দুনা থমবা ৱার্ক বুক অমা ফোংখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নরেন্দ্র মোদি থবক্তগী পোত্থাবগী মতম লাউথোকখ্রব্রা, থবক্তগী পোত্থাবগী মতম লাউথোকবা মোদি নাগপুরদা লৈবা আর.এস.এসকী হেদক্বাটরদা লাকখি- শঞ্জয় রাৱট হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাাইন ওইরি।

ষ্টেট ২৫ দা উমংগী লম স্কৱার কিলোমিতর লিশিং ১৩ দা খুন্দাশিল্লকখ্রে, মিনিষ্ট্রি রিপোর্টঃ মণিপুরগী উমংগী লম স্কৱার কিলোমিতর ৩২.৭ খোপজিনখ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পি.এম কিসান স্কিমগী মখাদা মণিপুরদা লুপা কোতি ১০.০৩ লান্না লৌথোকখ্রাব্রাঃ বিমোল অকোইজম হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ফোংলি।

লোক্তাক দাউন ষ্ট্রিম প্রোজেক্ট পায়খৎপা-পায়খৎতবগী তং তাবা খঙদ্রি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী এনকর কলমদা ফোংলি।

------